

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, JANUARY 21, 2018 **PAGE 7**




*ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লীগ মেটচ অমদা ব্রিটোনগা শান্নখিবদা পাঞ্জল চন্দুনা চেলসিগী মায়কৈদগী মশাগী ওইবা পাঞ্জল ১০০ শুবা ঙমখিবা ইদেন হেজার্দ*

*সাউথ অফ্রিকাগী টি–২০ টুর্নামেন্ট অমাওইরিবা মোমেন্টম ৱান দে কপ্তা কেপ কোব্রাসকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা ওভর অমদা রন ৩৭ লৌবা ঙমখিবা জে পি দুমিনি*

## মণিপুরগী নেরোকা এফসিনা মমাঙগী চেম্পিয়ন আইজোলবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা হিরো আই লীগকী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবদা হাইগৎখ্রে


নেরোকা এফসি অমসুং আইজোলনা শান্নখিবা হিরো আই লীগকী মেটচতা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা

*আইজোল, জনুৱারী ২০ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা মীজোরামগী ক্লব আইজোল এফসিবু মণিপুরগী নেরোকা এফসিনা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা চত্থরিবা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী য়ুম্বু ওইখিবা মমাঙ চহীগী আই লীগ চেম্পিয়ন মীজোরামগী আইজোল এফসিনা শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা নেরোকা এফসিবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পনবা য়াই ঙসিগী মেটচ অদুগী মাঙওইননা মণিপুরগী নেরোকা এফসি মেটচ ৯ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা মমাঙগী আই লীগ চেম্পিয়ন ওইরিবা মীজোরামগী আইজোল এফসি মেটচ ৮ শান্নবদা পোইন্ট ১৪ ফংদুনা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা আইজোল এফসিগী মায়কৈদগী কে নুরেননা ৩৯শুবা মিনটতা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা নেরোকা এফসিবু হাল্ফ অদু লোইশিল্লকপদা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ১৯ শুরকপদা নেরোকা এফসিগী মায়কৈদগী ও সিদিনা ইক্কোলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু য়াম্না ফজবা মওংদা পাঞ্জল ১–১ দা লৈনখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং মীজোরামগী আইজোল এফসি অমসুং মণিপুরগী নেরোকা এফসি মখা তানা মেটচ অদুগী লেমহৌরিবা পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা অকনবা লম্বা থেংনখি।

শান্নবগী ৮৫ শুবা মিনটতা নেরোকা এফসিগী মায়কৈদগী এন টুরকোভিসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মমাঙগী চেম্পিয়ন আইজোল এফসিবু মণিপুরগী নেরোকা এফসিনা ২–১ দা হেন্দুনা চৎখি। লেমহৌবা মিনট ৫ অদুদা নেরোকা এফসিগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নদুনা হন্দোকহন্দবা ঙম্বদগী মেটচ অদু ২–১ দা মায় পাক্কুনা হিরো আই লীগকী পোইন্ট টেবলদা টিম অসিনা মেটচ ১০ শান্নবদা পোইন্ট ২১ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখিবনি।

| India - I-League - Table | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Total | | Home | | | | Away | | | |
| # | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | Pts |
| 1 | Minerva Punjab | 9 | 7 | 1 | 1 | 13 | 6 | 7 | 22 |
| 2 | Neroca FC | 10 | 6 | 3 | 1 | 14 | 6 | 8 | 21 |
| 3 | East Bengal Club | 10 | 5 | 4 | 1 | 17 | 9 | 8 | 19 |
| 4 | Shillong Lajong | 11 | 4 | 2 | 5 | 7 | 13 | -6 | 14 |
| 5 | Aizawl | 9 | 4 | 2 | 3 | 10 | 8 | 2 | 14 |
| 6 | Mohun Bagan | 9 | 3 | 4 | 2 | 13 | 7 | 6 | 13 |
| 7 | Indian Arrows | 11 | 3 | 1 | 7 | 9 | 13 | -4 | 10 |
| 8 | Chennai City FC | 11 | 2 | 3 | 6 | 8 | 14 | -6 | 9 |
| 9 | Churchill Brothers | 8 | 2 | 1 | 5 | 8 | 16 | -8 | 7 |
| 10 | Gokulam FC | 10 | 2 | 1 | 7 | 6 | 13 | -7 | 7 |

হিরো আই লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা কেরলাগী গোকুলাম এফসিনা চেন্নাই সিটি এফসিবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু গোকুলামগী এস সিংহনা শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা চন্দুনা মায় পাকখি। গোকুলাম মেটচ ১০ শান্নবা লোইশিনখিবদা মায় পাক্লবসু লীগ টেলবদা পোইন্ট ৭ ফংলগা টিম ১০ গী লম্বাদা মমৈদা অদুম্মক লৈরি।

## ব্লাইন্দ ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ্তা মমাঙগী চেম্পিয়ন ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু ৱিকেট ২ দা থোইদুনা টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙমখ্রে

*সারজা, জনুৱারী ২০ঃ*



ব্লাইন্দ ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম্না ট্রোফিকা লোয়নননা হরাওবা ফোঙদোকপা

য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (য়ুএই) গী সিটি সারজাদা লৈবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ব্লাইন্দ ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড কপ অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু ৱিকেট ২ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল অদু দিফেন্দ তৌবা ঙমখ্রে।

পাকিস্তাননা ব্লাইন্দ ৱার্ল্ড কপ অদুগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা ইন্নিংস শান্নদুনা ওভর ৪০ দা রন ৩০৭ লৌদুনা ইন্দিয়ানা মেটচ অদু মায় পাক্লবা রন ৩০৮ লৌবা টার্গেট লৈখি।

মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা পাকিস্তানবু হান্না বেট্টিং তৌহনখিবনি। টিম অদুনা শান্নরকখিবা অহৌবা ওভর ২৭ তা রন ২০০ লাম্বোকপা ঙমখি। মতম অদুদা পাকিস্তানগী ৱিকেট ৫ আওট ওইখিবনি।

পাকিস্তানগী মায়কৈদগী বদর মুনিরনা য়াম্না ফজবা হাল্ফ সেঞ্চুরি লৌখিবা অমদি টিমমেট অনী রিয়াসত খান অমসুং নিসর আলিনা মথংশিংনা রন ৪৮ অমসুং ৪৭ লৌবা ঙমখিবা অদুনা চাউনা মতেং পাঙদুনা টিম অদুনা পুন্না রন ৩০৭ লৌবা ঙমখিবনি।

ব্লাইন্দ ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ অদুগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা ইন্দিয়ানা ঙসি য়ুএইদা লৈবা সারজাগী ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পাকিস্তাননা লৌরমখিবা রন ৩০৭ অদুদগী রন অমা হেল্লগা মায় পাক্লবা রন ৩০৮ অদু য়ৌননবা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী অহৌবা ওভর ১৫ শান্নবদা ৱিকেট ১ তুরগা রন ১১১ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী কেপ্টেন অজয়র টিৱারিনা রন ৬২ গী স্কোর মান্ননা লৌবা ঙমখি।

ওভর ১৫ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট অমখক তুরগা রন ১১১ লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী টিম অদু থংনবা ওভরদা শুপ্পগী রন ৫ খক হাপচিল্লগা বেটসমেন অনী য়াম্না থুনা রন আওট ওইদুনা অপুনবা স্কোর ১১৬ তা ৱিকেট ৩ তুখি।

ইন্দিয়াগী টিম অদুগী মায়কৈদগী মখা তারকপা বেটসমেনশিং অদুনা ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্সনা মায় পাকপগী লম্বেল অদু নকশিহল্লকখি।

সুনিল রমেসনা রন ৯৩ লৌদুনা পাকিস্তাননা লৌরম্বা রন ৩০৭ লাম্বোক্কুনা অতোপ্পা বেটসমেন ৫ আওট ওইখ্রবা মতুং রন ৩০৮ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু ৱিকেট ২ দা থোইদুনা ব্লাইন ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী মমাঙগী চহীদা চেম্পিয়ন ওইখিবা ইন্দিয়ানা টাইটল অদু দিফেন্দ তৌবা ঙমখি।

## লৈবাক ৪ গী হোক্কি টুর্নামেন্টতা য়ুম্বু ন্যু জিলেন্দবু মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়ানা বেলজিয়মগা ফাইনেল লম্বা তৌনরগনি

*টৌরঙ্গা, জনুৱারী ২০ঃ*


লৈবাক ৪ গী ইনভাইটেসনেল হোক্কি টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা শান্নখিবা মেটচকী মতাং

ন্যু জিলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা লৈবাক ৪ গী ইনভাইটেসনেল হোক্কি টুর্নামেন্টকী ঙসি টৌরঙ্গাদা লৈবা ব্লেক পার্ক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা রাউন্দ রোবিনগী অরোইবা মেটচতা য়ুম্বু ন্যু জিলেন্দবু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা হয়েং ফাইনেলদা ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীরম্বা বেলজিয়মগা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি নহা ওইবা শান্নরোইশিংনা মপুং ওইনা শরুক য়াদুনা এক্সপোজর টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবনি। ন্যু জিলেন্দগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপা অনীশুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী হরমনপ্রিত সিংহনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

অহানবা ক্বার্টর অদু লোয়গদবা মিনট ৩ ৱাৎলিঙৈদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই দিলপ্রিত সিংহনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ন্যু জিলেন্দবু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মখা তানা চত্থ্রবসু পাঞ্জল চনবা ঙম্নদবদগী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিল্লকপদা য়ুম্বু ওইখিবা ন্যু জিলেন্দবু ইন্দিয়ানা ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা হাল্ফতা লৈবা অহুমশুবা অমদি ৪শুবা ক্বার্টর অদু শান্নবা হৌরকপদা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক চত্থনবা লাল্লোং কয়া শিনবা ঙমখ্রবসু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়না অহানবা হাল্ফতা চনখিবা পাঞ্জল অনী অদু য়াম্না চেকশিন্না দিফেন্দ তৌখিবদগী অহুমশুবা ক্বার্টরগী মিনট ১৫ গী শান্নবা অদু লোইশিল্লমদাই ফাওবা পাঞ্জল চলহনখিদবনি।

শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা পুশিল্লকখিবা য়াম্না ফজবা এটেক অমদা টিম অদুনা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু মেটচ অদুগী য়ুম্বু ওইখিবা ন্যু জিলেন্দগী কেন রসেলনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা স্কোর বোর্দতা ইন্দিয়াগী পাঞ্জল ২ অদুগা ন্যু জিলেন্দগী পাঞ্জল ১ লৈখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ২–১ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈ ন্যু জিলেন্দনা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৫ য়ৈরগা ইন্দিয়াগী মন্দিপ সিংহনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ন্যু জিলেন্দবু ৩–১ দা হেন্দুনা চৎখি।

শান্নবগী লেমহৌবা মিনট ১৩ অদুদা লৈবাক ৪ গী ইনভাইটেনসনেল হোক্কি টুর্নামেন্ট অদুগী রাউন্দ রোবিনগী অরোইবা মেটচ অদুদা ন্যু জিলেন্দসু শোত্থখিবা পাঞ্জল অনী অদু অথুবা মতমদা হন্দোক্নবা হোৎনখি। অদুবু লাইবক থিবদি ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা মখোয়না হেনখিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দাকপা ঙমহন্দনা মেটচ অদু ৩–১ দা থোইদুনা হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা মখোয়বু লীগ রাউন্দদা পাঞ্জল ২–০ দা থোইরম্বা বেলজিয়মগা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়াগী লিএন্দর পেস অমসুং পুরব রাজা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসতা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, রোমানিয়াগী হালেপসু প্রি–ক্বার্টর য়ৌখ্রে




*মেলবর্ন, জনুৱারী ২০ঃ*


ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিসকী নুপাগী দবলস কাঙলুপ্তা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পেস অমসুং রাজা

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি মেলবর্নদা চত্থরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দ শান্নবদা ইন্দিয়াগী এক্সপরিয়েন্স লৈরিবা লিএন্দর পেস অমসুং অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পুরব রাজাগী পেয়র মায় পাক্কুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপীগী সিঙ্গলসতা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ মায় পাক্কুনা প্রি–ক্বার্টর য়ৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী লিএন্দর পেস অমসুং পুরব রাজানা ঙসি শান্নখিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা ব্রাজিলগী ব্রুনো সাউরেজ অমসুং গ্রেট বৃটেনগী মুরেবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা পুং ৩ হেন্না চঙনা শান্নখিবা মেটচতা সেট ২–১ দা থোইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

অহানবা সেট অদু ইন্দিয়াগী পেস অমসুং রাজানা ৭–৬(৭–৩) তা থোইখি। অনীশুবা সেট ব্রাজিল অমসুং বৃটেনগী পেয়র অদু ৭–৫ দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা দিসাইদিং সেট অদুদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৮–৬) তা থোইদুনা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা নম্বর ৱান ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী এল দেবিসপু ৪–৬, ৬–৪, ১৫–১৩ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ বার্টিবু ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্বী জপানগী এন ওসাকাগা লম্বা তৌনরগনি।


ওষ্ট্রেলিয়া ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবী হালেপ

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরগী মখুত্তা ৬–১, ৬–৩ দা মায়থিহৌখি। কর্বরনা মরিশুবা রাউন্দদা পোলেন্দগী এগনিস্কা রাদৱান্সকাবু ৬–২, ৭–৫ দা থোইরম্বী চাইনিজ তাইপৈগী এস দব্লিয়ু সৈগা শান্নরগনি।

৬শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী কে প্লিজকোভা অমসুং বি ষ্টাইকোভা মরিশুবা রাউন্দদা থেংনরগনি। লোয়ননা অতোপ্পা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুএসএগী মেডিসন কিজ অমসুং ইটালিগী সি গার্সিয়াগা থেংনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলপ্তা মমাঙদা নম্বর ৱান ওইরম্লবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা মরিশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী ঐচ চুংগা লম্বা তৌনরগনি। ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা মরিশুবা রাউন্দদা য়ুএসএগী টি সানগ্রেনগা লম্বা তৌনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা হঙ্গেরিগী শান্নরোই এম ফুকসোভিসকা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক লম্বা তৌনরগনি।

জেক রিপব্লিক্কী টোমাস বর্দিসনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা ইটালিগী শান্নরোই ফাবিয়ানো ফোগনিনিগা লম্বা তৌনগদৌরি।

## য়ু–১৯ ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেটতা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশকা ক্বার্টর ফাইনেল থেংনরগনি

*টৌরঙ্গা, জনুৱারী ২০ঃ*

ন্যু জিলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা চহী ১৯ মখাগী আইসিসি ক্রিকেট ৱার্ল্ডকী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশকা লম্বা তৌনরগনি।

বাংলাদেশকী টিম টুর্নামেন্ট অসি শরুক য়ানবগীদমক ক্বালিফায়িং রাউন্দ শান্নদুনা মায় পাক্লকপনি। টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ৩ লক ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিম্না পাপুৱা ন্যু গিনিবু মায়থিবা পীরমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল অসি য়ৌরকপনি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

## টাটা ষ্টিল চেছ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী আনন্দ নেদরলেন্দগী গিরিগা দ্রো চৎতুনা অনীশুবা পোজিসনদা হল্থখ্রে

*ৱিক আন জি, জনুৱারী ২০ঃ*



নেদরলেন্দসনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা টাটা ষ্টিল চেছ টুর্নামেন্টকী ৬শুবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বনাথন আনন্দ টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক নেদরলেন্দসকী শান্নরোই গ্রান্দ মাষ্টর অনিস গিরিগা দ্রো চৎতুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা পোজিসনদা হল্থখ্রে।

ইন্দিয়াগী বিশ্বনাথন আনন্দনা অমুবা মচু পায়দুনা নেদরলেন্দসকী অনিস গিরিগী এটেক অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা ইৱা ৱাদনা ৬শুবা রাউন্দগী গেম অদু দ্রো চৎপদা য়ান্নখি।

দ্রো চৎখিবা অদুনা মরম ওইরগা মমাঙগী ৫শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৩.৫ ফংদুনা টুর্নামন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা চল্লবা ইন্দিয়াগী বিশ্বনাথন আনন্দ পোইন্ট ৪ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা হল্থখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা অজরবাইজানগী শান্নরোই গ্রান্দ মাষ্টর সাখ্রিয়ার মামেদিয়ারোভনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই বি অধিবনবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৪.৫ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক্তা লৈবা ঙম্মি। ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন নোরৱেগী মেগনস কার্লসন রুশিয়াগী পিটর স্বিটলরগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৩.৫ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।